ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur

খ্বাইরক্পম কৈথেলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং মেম্বরশিংনা মীখলদা শরুক য়াররোই হায়না পাউমীশিংদা লাউথোকখিবা

থম্মোয় পাউদম : অমম্ববু ঙালহন্নবা মৈরি অমা উরিবসি...☛ লামায় ২

লামায় ৫ ☛ ‘‘চঙ থোকপা মীহুৎ খনসি’’

জেনিমসকী কেম্পস মনুংদা নিশাগী পোৎলম শীজিন্নবীগনু ... ☛ লামায় ৬

লামায় ৮ ☛ মীখল মমাংদা কোংগ্রেসতগী লুপা ক্রোর ৩,৫০০ ...

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা ..... .☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ এস য়ু সগোলবন্দ অমসুং ৰাই এস দল্লিয়ু এ উৎলৌ ...

ক্ষেত্রিগাও এসেম্লি কন্সটিটুএন্সিগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসননা সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টরদা মহাক্কী এ সীগী মীয়ামদা পীগদবা থা ৪গী চেঙ অথুবা মতমদা পীরক্তবদি লিগেল এক্সন লৌরগনি লাউথোকখিবা

PRESS CONFERENCE
REGARDING THE NON-RELEASE
OF
ON 2nd APRIL 2024

Vol. 48, Issue No. 006 | য়ুমশকৈশা, লমতাগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, April 03, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম থুপচিনখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা খোঙথাং

ঈ ভি এমশিং মশীং থিবদা ভিভিপেট স্লিপ য়াওহনবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্সন কম্মিসনদা নোটিস পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী) : হৌজিক চহী ৫গী টর্ম লোইশিল্লক্লবা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী য়ুনিয়ন লৈঙাক অসিগী মমাঙদা লৈখিবা মহাক্কী অহানবা লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৭তগী লৈবাক অসিদা চৎনহল্লকখিবা ‘ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম’ বু সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা চহীসিগী ফেব্রুৰারী থাগী অনীশুবা চয়োলদা পীখিবা দিরেক্সন অমনা ‘অন কন্সটিটুসনেল ওই’ হায়দুনা থুপচিনখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী ৰাংলবা ৰায়েলশঙ অসিনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) অমসুং ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভিভিপেট) স্লিপশিংদসু পূল্লিং চঙলক্তুনা মীখলদা শীজিন্নরিবা পোৎলম অনীসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা নোটিস পীখ্রে।

নোটিস অসি ঙরাং এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস বি আর গভাই অমসুং জষ্টিস সন্দিপ মহেতা অনীগী বেঞ্চনা ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেটকী মতাংদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা ঈ সী আইদা নোটিস ইস্যু তৌখিবনি।

ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেটকা মরী লৈনবা পিটিসন অদু মশামক উকিল অমসু ওইরিবা সোসল এক্টিভিষ্ট অরুন কুমার অগ্রৱাল কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর অসিনা পিটিসন অসি ফাইল তৌরক্লিঙৈগী মমাঙদা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমসু কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরক্লিবনি। পিটিস্নরনা কোর্টতা ৰাকৎলক্লিবনা লৈবাক অসিগী মীখলশিং পাঙথোকপদা শীজিন্নরিবা ঈ ভি এমশিং অসি পাঙথোক্লিবা ঈলেক্সন অদুগী রিজল্ট লাউথোক্লবগীদমক মশীং থিরকপা মতমদা ঈ ভি এম অসিগা লোয়নরিবা ভোটরশিংনা ভোট থাদবা মতমদা শীজিন্নরিবা ভিভিপেট স্লিপশিংগা কোন্ননা তঙাইফদনা ক্রোস ভেরিফাই ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গাড়ী মপোৎ-মপোৎতা হোল্লকপা মীয়াম্না সী এম বঙ্গলোদা পুল্লিবসি মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা নৎত্রা হায়না কোংগ্রেসনা ৰাকৎখ্রে

ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরিঙৈদা এদ্যুকেসন লোয়শঙগী প্রাইমারি ওজা ১,১৪০ লৌননবা নোটিস থোরক্লে, সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙনা তেংবাঙ শেল ফংনবগী এপ্লিকেসন থাজিনবগী মতম শাংদোরক্লে : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ১৬তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ১৮শুবা লোক সভা মীখল পাঙথোকপগী মতম লাউথোকখিবগা মীখল অসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরকখ্রবসু গাড়ী মপোৎ-মপোৎতা হোল্লকপা মশীং য়াল্লবা মীয়াম মরু ওইনা নুপীশিংনা মমাঙ থাগী ২৭তগী ৩১ ফাওবা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা নুংথিল পোবোবতা পুল্লরিবা অসি মীখল অসিগী ঈ সী আইনা পীবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা মরাল শীবগা লোয়ননা থৌওং অসিদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী থবকশিং লৌখৎনবগীদমক ঈ সী আই অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (ঈ সী ও), মণিপুরদা অইবা চেরোলশিং পীশিন্দুনা ৰাকৎখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কোংগ্রেসকী লিগেল দিপার্টমেন্টকী ভাইস চেয়রমেন এদভোকেট রবি খাননা পাউমীশিংদা হায়, সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা ঙাক শেল্লক্লিবা বাবুপড়াদা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা গাড়ী মপোৎ-মপোৎতা হোল্লকপা মীয়াম্না চঙথোক চঙশিন তৌরিবা অসি মীখল অসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা থৌওং নত্ত্রা হায়বদু য়েংশিনবীয়ু হায়না ঙরাং সী ঈ ও, মণিপুরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ৰাকৎখ্রে হায়রি।

হৌজিক মণিপুরদা হাৎন-শুনবনা মরম ওইরগা মীয়াম অৰা অনা নংলি। মীওই লিশীং কয়া মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা ফংদনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিঙৈগী চৈরকসিদা শেল থুম য়েন্দুনা অমদি চাকচা হৈজানবা তৌদুনা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বা নত্তে। অসিগুম্বা ফীভমসিদা মশীং য়াল্লবা মীওই কয়া চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

মীখল য়াওরোই, ভোট থাদরোই হায়বা মশীং য়ামখৎলক্লি

য়াইরিপোক খোইরোম ১সুং পেচিগী মৈরা পায়বীশিংনা মীখলদা মায় ওনশিন্দনবা ৰারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) : তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংনচিংবগী তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট মঙাসিদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওই কয়ানা থা অসিগী ১৯ অমসুং ২৬তা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা শরুক য়ারোই অমসুং ভোট থাদরোই হায়বনচিংবা ৰাফমশিং লেপ্তুনা ফোঙদোক্লবকুবা মতুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক খোইরোম অমসুং পেচিগী মৈরা পায়বীশিংনসু পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মায় ওনশিল্লোই অমসুং শরুক য়াররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

ৰাফমশিং অসি লাউথোক্লদুনা ঙরাং নুমিদাং য়াইরিপোক খোইরোম অমসুং পেচিগী মৈরা পায়বীশিংনা মখুত্তা মৈরা পায়দুনা ৰাকৎ খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে। খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খুৎনেক্কী লান লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা ঐখোয় মীখলদা শরুক য়ারোই হায়না থাবা বেন্নর পায়খি।

INDIA LEINGAKI KHUNEKI
LAN LOISINDRIFAOBA
EIKHOI
ELECTIONDA SARUK YAROI

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বীশিংনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপনা ভোট য়াওররোই হায়না লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) :

ঐখোয় হৌজিক হিংলিব্রা হায়বা ৰাহং হংলদুনা চৎলি হায়বগী ৰানি, কৈদৌঙৈ শিগনি খঙদ্রিবনি অমসুং করম্বা মতমদা ঐখোয়দা এক্ট পাল্লকদোইনো অমসুং করি তৌরক্নদগে হায়বা কনামত্তনা তম্বা ঙমদ্রিবনিনা ঐখোয় পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা য়াওররোই হায়না মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি ৰাই ইবেয়াইমনা পাউমীশিংদা লাউথোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি খ্বাইরক্পম ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্লা লাউথোক্লদুনা মখা তানা হায়, মে ৩দগী থোরক্লিবা লান, থৌদোক ৰাথোক অমদি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিগী মনুংদা লান লেপ্তুনা চথরকপ্লগসু হৌজিক্লা ভোটকীদমক্তা ওইরে। হৌজিক্তি ভোটকীদমক্তা হৌ-হৌ চোংনরক্লে। অসিগুম্বা মযামসি উরকপদা ঐখোয়গী থম্মোয় কায়রে হায়রদুনা ঐখোয়না তৌখিবশিংদি মণিপুর ইমাগীনি খল্লগা তৌখিবা ঙাক্তনি হায়রদুনা হৌজিক্তি ঐখোয় কৈথেল ফম্বীশিংনা অমত্তা ওইনা মীখলদা শরুক য়াররোই হায়বগী ৰারেপ লৌরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হুরাল্লগা কাগেরা, হুরান্দনা কাগেরা কানীংবা মীনা কাপ্তসনু। ঐখোয়না খঙজগদবদি মসিদা খেন্নবা করিসু লৈতে। মে ৩দগী হৌরকখিবা লান অসি ঐখোয়গী মীৎমাংদনি। টিয়র গ্যাসকী চৈনা-চৈথেং, মৈখু, ইলেক্ট্রিক শোক তৌখিবদা ইশামক য়াওরিবনি। ঐখোয়না তৌখ্রিবশিংদু মণিপুর কন্নবগীদমক্তনি। চৈনাশিং অদু মীপূম খুদিংমক্তা ফাওরমগনি। মরম অসিনা পূম্নমকশিং অসি ঐখোয়গী থম্মোয়দা কাউবা ঙল্লরোইদবা থৌদোকশিং লেপ্পগুন্না তৌরি। পূম্নমকশিং অসি য়েংলগা ঐখোয় ভোট য়াওররোই। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

মীখল মমাঙদা মীতৈবু এস টি ওইহন্নবা রেকমেন্দেসন থাদ্রবদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি

এন আর সী চৎনহনবা, ঙমখৈ শঙ্গল খাবা অমসুং আই এল পি চৎনবনা মণিপুর কনবা ঙমখিবদি য়াই, মীতৈদি কনবা ঙল্লোই : দল্লিয়ু এম সী

"ST STATUS FOR MEETEI"
THE ONLY WAY FORWARD
2 APR 2024
MANIPUR PRESS CLUB

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৯দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মণিপুর থুগাইনবা অমসুং য়েলহৌমী মীতৈবু তুম্না হাৎনবা হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান ঙসি (এপ্রিল ৩,২০২৪) দা থা ১১ চপ চানা মপূং ফারে

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL Poll

Q : May 3, 2023 dagi hourakhiba Manipurgi Lan ngashi tha 11 mapung farabasu Lan ashigi waroisin puraktri haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meehut oigani chongthorakpa candidatesinggi manungda 'Charoi Khangna Barton touba' meerep yaore haibada aranba wapham oigadra?

Yes 50% No 50%

আর্মি পর্সনেল ১ সন্ত্রি পোষ্টতা নোংমৈনা পান্দুনা শিরন্নে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস): ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩৬ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা ১৬শুবা কুমাওন রেজিমেন্টকী মেন গেটতা লৈবা সন্ত্রি পোষ্টতা মথৌ পাঙথোক্লিবা রাইফলমেন অমা মকোক্তা নোংমৈ মরূ অমা পান্দুনা শিরল্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা পর্সনেল অদুগী মমিং কমল ভাকুনি, অপোকপা চন্দন কৌই, উত্তরখণ্ডগী অলমোরা দিষ্ট্রিক্টকী বঙ্গা খুলদগীনি হায়রি। সন্ত্রি পোষ্ট অসিগী মনুংদা মহাক মকোক্তা নোংমৈ মরূ অমা পান্দুনা শিরগা লৈরম্বনি হায়রি। মহাক্কী রাইফলমেন নম্বরনা ৪২১৪২৬নি। থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুম ওইনমক মহাক মশানা পায়বা সর্ভিস নোংমৈনা মশা মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা শিজবা ওইগনি চিংনবদগী পুলিসনা অন নেচরেল দেথকী কেস অমা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌদুনা মহাক্কী পোষ্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা শিন্ননবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

মায়োলগী কেম্প্যেন চথরি

কেন্দিদেটশিংদগী শেল লৌদনবা ৰাখল তামিন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) :

মণিপুর য়ুথ লিগ (মায়োল) না ‘ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী ভোট’ হায়না মিংথোনবা মাস এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন অমা লেপ্তুনা চথরকপগী মখা তারকপদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদগী ৱাঙ্গোই এসেম্লি কন্সটিটুএন্সিগী মনুং চল্লিবা অপোকপা মরুপকী শঙলেন (থোংখোং লক্ষমি বজার) দা মায়োল অমসুং থোংখোং লক্ষমি বজার অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা নুপীশিংগা লোয়ননা ৰাখল তামিন্নবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

পুকচাক্তা পোলিটিক্স তৌনু, ৰাৎলিবা থা ৪গী চেঙ অথুবদা ফংহন্দ্রবদি লোগী মতেং লৌরগনি : এম এল এ নুরুল

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) : ক্ষেত্রিগাও এসেম্লি কন্সটিটুএন্সিগী মীয়ামগী পুকচাক্তা পোলিটিক্স তৌগনু অমসুং ৰাৎহৌরিবা থা ৪গী চেঙ অথুবা মতমদা ফংহন্দ্রবদি লোগী মতেং লৌরগনি হায়না কন্সটিটুএন্সি অসিগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসননা পাউমীশিংগী খুত্থাংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ক্ষেত্রিগাও অৱাং লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্কী এ সীগী ফাজিন্দুনা থল্লিবা চেঙশিং পীথোকউ হায়রদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, ক্ষেত্রিগাওগী চেঙ ফংদবগী মতাংদা ঙরাং সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টরনা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ওইদ-পাদবাময়াম হায়জিন্দুনা মীয়াম্বু চমন্নহনবা অমদি মতম থেংথখিনবা লৈথোক লৈশিন তৌদুনা লৈবগী থৌওং লাইবক থীবনি। মহাক মশা অমদি ক্ষেত্রিগাওগী ফেয়র প্রাইস শোপ এজেন্ট ২৩গা লোয়ননা মার্চ ৩০দা চেঙ চিংলুবা অদুসু দিরেক্টর মশামক্লা চেঙ ফংহৌদবা এ সীশিংগী চেঙ লৌনবা থোকখিবা ওর্দর অমদি মদুগী মতুংদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টরনা এ সীশিংগী এম এল এ অমদি এফ পি এস এজেন্টশিংনা লাল্লগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

পুলিস ষ্টেসন ১৯গী জুরিসদিক্সন নত্তবা মফমশিংদা ‘দিষ্টর্ব এরিয়া’ থা ৬শাংদোকহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হোম) দেবেস দেবালনা মমাঙ থাগী ৩০দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্লা থেঙ্খাং কয়ারক্তা পুলিস ষ্টেসন ১৯না কোনবা জ্যুরিসদিক্সনশিংদগী ‘দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস’ লৌথোক্তুনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ চৎনহল্লকখিদ্রবসু মফমশিং অসি নত্তবা লেমহৌরিবা ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমগী এরিয়াশিংদদি হায়রিবা অথিংবা অসি ঙরাং (এপ্রিল ১, ২০২৪) দগী হৌরদুনা মখা তানা থা ৬ চৎনখিগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোইদবা মফমশিংগী থৌদাং লৌরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংদি ইম্ফাল, লম্ফেল, সিটি, শীংজমৈ, সেকমাই, লমশাং, পাৎশোই, ৱাঙ্গোই, পোরোম্পাৎ, হেঙাং, লম্লাই, ইরিলবুং, লৈমখোং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, নম্বোল, মোইরাং, ককচীং অমসুং জিরিবামনি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা ইহান হান্না এসেম্লি সেগমেন্ট ৭তগী অথিংবা অসি লৌথোকখ্রবা মতুংদা বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী মখা তানা মফম খরদগীসু লৌথোকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা এক্ট অসিগী অথিংবনা কোনশিন্দবা পুলিস ষ্টেসন ১৯না কোনবা মফমশিং লৈরক্লিবনি।

‘রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ঐখোয়বু ভোট থাদহন্নবা শিল্লবসু পূক্লিংদদি পেন্দ্রে’

হকথেংনবা পাউদম

ফৌগাকচাও ইখাইদগী খুঞ্জা অমা

(ঙরাংগী মখা...) খোমদ্রাম জামিনিনা মখা তানা হায়, মে ৩গী নুংথিলগী পুংফম লৈথরকপা মতমদুদা রেল্লিদা শরুক য়ারুবা কুকিশিংনা লাউ-খোংদুনা লাল্লগা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকখিবনি। ইহান হান্না ফৌগাকচাও ইখাইগী য়ুমশিং মৈ থারকখি অদুগা মথংদা তোর্বুংগী য়ুমশিং অমুক মৈ থারকখিবনি। মৈ থারিবা মীওইশিং অদু চুড়াচান্দপুর রোমদগী লাকপনি। ফৌগাকচাও অৱাং লৈকায়গী য়ুমশিংদি কোন্না মৈ থারকই। থৌদোকশিং অসি থোরকপা মতমদুদা ঐদি ত্রোংলাওবীদা ময়ূম পানখিবী ইচানুপীগী অঙাং উনবগী চৎলুরগা হল্লকপদা ব্লদ প্রেসর লো ওইরকপদগী ফমুংদা হিপ্লগা লৈবা তাঞ্জানি।

কুকি ময়ামদুনা লাউ-খোংদুনা মীতৈগী য়ুমশিং মথং মথং মৈ থাবা হৌরকপদা ঐখোয় মথোং মরম খঙদনা পংচেন্দা চেন্নখি। ঐদি অঙাং উন্নরিবী ইচানুপীগী ময়ূমদা অমুক চেল্লে। য়ুমশিং মথং মৈ থারকপদা ইমুংদা থম্না সিলিন্দরশিং পোকখায়রকপদগী ঐখোয়দি বোম পোকখায়রে হায়দুনা অমুক্কা হেন্না পাখৎনখি। নোংমৈসু পংকাপ্তা কাপ্পগী মখোল ফন্না য়াম্না তাখি। য়ুমশিং মৈ চাল্লকপা, গ্যাস সিলিন্দরশিং পোকখায়রকপা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোল ময়ামদু তশেংনমক অকিবগী মশক ওইখি।

ফৌগাকচাও ইখাই মখা লৈকায়গী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরল্লবসু ঐখোয়না লৈরিবা অৱাং লৈকায় ফাওবদি য়ৌরক্লোইদ্রা খল্লুই। অদুবু খঙহৌদনা য়ৌশিল্লকপদগী ঐখোয় চেল্লকখিবনি। অৱাং লোমদসু তুসেনফাই হায়না কৌবা ৰাইফৈগী খুল অমা লৈ। মখারোমদনা কাংভাই লৈরিবনি। খুল অনীসিনা কোয়শিল্লগা লৈরিবা ফৌগাকচাও ইখাইগী মীতৈগী য়ুমশিং ইশাগী য়াওনা তুম্না মৈ থাখিবনি। থৱায় হিংনবা লাঞ্জেন্নরিঙৈ মরক্তুদা ৰাঙুদা ওংখিবী ইচানুপীদসু থা শুজিল্লক্লে হায়না টেলিফোন তৌদুনা হায়রকখি অদুবু মহাক্কী মনাক তাম্না চৎকদবা লন্নীদি থিংজিনখিবনা চৎপা ঙমখিদ্রে। ঐনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরবা মতুংদা অঙাং উনখিবনি।

অকিবা ফংলবা থৌদোকশিং অসি মায়োক্লরকপগী মথক্তা ইশু অমসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। মহাক ক্লাস ত্রেলভ খক্তমক তল্লিবনি। মমানা রিলিফ কেম্পতা লৈখ্রবা মতুং মখুরানা মহাকসু রিলিফ কেম্পতা লৈরুনবা হায়রকপদগী চৎননবা গাড়ী মচা অমা তোংদুনা থৌদোরকপদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবা ইশুনুপাদু ফৌগাকচাও ইখাই মমাঙ লৈকায়দা লৈবা অদুঙৈ খস্কসী লমজেল থারন্না মফম লমথাপুংনি হায়না খঙবা মফমদুদা লৈরোন চল্লগা মহাক্কী লান্ন-থৌরম্না মোইরাংদা পাঙথোকখিবনি।

ইচানুপা য়াইমদি হৌজিকসু ফৌগাকচাও ইখাইদা লৈরি হায়রদুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরকখিবা কুকিশিংনা অদুম্নাইনা তৌরক্তনি হায়বা থাজখিদে। ইচানুপী অমসু চুড়াচান্দপুরদা ময়ূম পানবনি। ঈৱাং অসি হৌরকপদগী মহাক্লসু করিসু তৌরোই হান্না হায়রমখি অদুবু য়ুম মৈ থাবা হৌরকপদগী মহাক্কীনি হায়বা পোৎলম অমত্তা লৌথোকহৌবা নংদনা থৱায় হিংনবা চেল্লকখিবনি। মরম অসিনা হৌজিক মীখল পাঙথোক্কদৌরে হায়না হরাওনীংঙাই লৈতে। ঐখোয়দি লান লোইশিল্লগা ইশাগী য়ুমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা পাম্মী হায়রকখি।

এম আর পর্সনেল ওইরম্বা মীওই ১ মখৌরি লাকহৎতুনা শিরন্নে, মহাক্কী লোয়নবী লোৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস) : মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেল ওইরম্বা রিতেসকুমার মাজর (২৯) অপোকপা মন্দল কৌবা কংলাতোংবীদগী হৌজিক্লা চিংমৈরোংগী নমদুলোংদা লৈরবা মীওই অমা মহাক্কী ফমুংদা মখৌরিদা ফি অমনা লাকশিল্লগা শিদুনা লৈরম্লে। অদুম ওইনমক মহাক্কী লোয়নবীদি লোৎখিবদগী মফম খঙদ্রি হায়রি।

লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা লৈকায়গী মীওইশিংনা থেংনরকপদগী পুলিসতা পাউ পীখিবনি। থৌদোক অসি থোকখ্রবসু মহাক্কী লোয়নবী তোংসাং অফিদি ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখিরম্বদগী মফম খঙদ্রি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ꯔꯤꯄꯣꯔꯇꯔ / রিপোর্টর খরা লৌগনি

পাউচে অসিগীদমক রিপোর্টর খরা লৌগনি। ওইনীংবা মীওইশিংনা মশা-মশাগী পাসপোর্ট ফোটোগা কোন্ননা বাইও-দাটাশিং ওফিস মতম অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি। এপ্লিকান্টশিংগী মহৈগী থাক য়ামদ্রবদা গ্রেজুএট ওইগদবনি।

HL-C/251/2,3 - মেনেজর, হুইয়েন লানপাউ

অস! লোইরেহে!

- ইবেম্মা নিশা থিংবা চৎলুগে জর্দা মতপ অমত্তা...।

- ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯅꯤꯁꯥ ꯊꯤꯡꯕ ꯆꯠꯂꯨꯒꯦ ꯖꯔꯗꯥ ꯃꯇꯞ ꯑꯃꯇꯥ...॥



- ফৈয়ে ইনম্মা, মীখল মতমসিদা।

- ꯐꯩꯌꯦ ꯏꯅꯝꯃꯥ, ꯃꯤꯈꯜ ꯃꯇꯝꯁꯤꯗꯥ॥

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫